# ঐনা অহানবা ওইনা শান্নজগে খঞ্জরকখিবা মশান্নদি ৱেথ লিফটিংনি, অদুবু লম্বেল খঙখিদবদগী ফুটবোল ওইনা শান্নরকখিবনি



ইরোম প্রমেশ্বরী
ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর

হন্দক্তগা বেঙ্গালুরুদা লোইশিনখিবা নুপী ফুটবোলগী মরিশুবা সিজনগী আই দল্লীয়ু লীগতা কেরলাগী গোকুলমদা য়াওদুনা শান্নখিবী মণিপুরগী নুপী ফুটবোল্লর অমা কোলমসিদা লৌখৎচরি। গোকুলম কেরলা টিমবু ৱিন্নর ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী শান্নরোয় অদুদি অতৈ কনাসু নত্তে মণিপুরগী মমিং লৈবী নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবী ইরোম প্রমেশ্বরীনি।

ফুটবোল্লর প্রমেশ্বরী কুমজা ১৯৮৯গী মে থাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সমারাম ময়াই লৈকাইদা লৈবা লৈখিদ্রবা ইরোম মন্ত্রি অমদি ইরোম ওংবী কৈন্যাহলগী মচা মঙাগী (নুপী ৪, নুপা অমা) মনুংদা অহুমশুবী মচা ওইনা তাইবঙপাল ফাওরকখি। নুপামচা মরক্তগা য়াওরগা শান্ন-খোৎনবা, চেন-চোংবা পামজরকখিবী প্রমেশ্বরী মশাগী ওইবা মরিক চুম্বা ৱারী লিরদুনা অসুম্না পাউদম্বীরকখি, পুন্সিদা ঐনা য়াম্না পামজরকখিবা শান্নজনিংলকখিবা মশান্নদি ৱেথ লিফটিংনি। ইচে কুঞ্জরানী, ইচে সনামচা মখোয়না ৱেথ লিফটিং শান্নবা, টি ভিদা উজবা মতমদা ঐসু মখোয়গুম্না শান্ননিংবা ফাওখি। অদুবু অঙাং ওইরিঙৈ মতমদুদা ঐঙোন্দা মদুগী লমজিং লমতাক তৌবীনবা মীওই অমত্তা লৈখিদে। তশেংনা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

ফংলম্বা তারগদি ঐহাক ৱেথ লিফটিং হায়বা গেমসি শান্নরমগনি। গাইদ তৌবীনিংঙাইসু লৈখিদবনিনা নুমিৎ খুদিংগী খুনগী লাইবুঙ মনাক্তা লৈবা লম্পাক মচাদা লৈকাইগী ইবুং-ইপ্পাশিংনা ফুটবোল শান্নরিবা মরক্তুদা ঐসু য়াওদুনা শান্নজরকখি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা ঐহাকসি লমজে লসু খরা য়াংলকখি। নুপামচাশিংগী মরক্তা য়াওদুনা শান্নরকখিবা অদুনা ফুটবোলসি য়াম্না খুৎলোয়না শান্নবসু ঙম্লকখি। ঐখোয় সমরামদা হান্নদি প্লেগ্রাউন্দ অমত্তা লৈরমদে। অদুবু হৌজিক্তী লৈরে। হান্নদি লাইবুঙগী নাপীসু হৌদবা লম্পাক মচাদুদা নোং তারবসু লৈখোম মরক্তুদা ঐহাক নুংঙাইনা শান্নজরকখি। ফুটবোল শান্নবনা ঐঙোন্দা খরা লায়নসু থোকখিবদগী গেমসিদা ঐহাক চঙলকখিবনি। লৈকাইগী, ক্লবকী খরা খরা শান্নবা হৌজরকখিবসিনা কুমজা ২০০২গী মতমসিদগীনি। হায়রিবা চহীসি ঐহাক খোঙজে াম এম ই স্কুলদা ক্লাস অইট তম্লে। লোকেলগী ওইনা ঐহাক্না অহানবা য়াওজরকপা ক্লবসিনা তেকচম ক্লবনি। অদুদগী দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা অমুক শান্নজরকখি। ঐবু অহানবা ওইনা শান্নবা পুথোকপীরকখিবা





লৈকাইগী ইবুংশিংদি খোঙজোম চিংথামদগী ওজা সনাথোই, ঐখোয় দাদা .... ময়ামসিননি। ঐখোয় লৈকাইদগী শান্নমীন্নরকখিবশিংনা ইচন, লোটস, সনাথোই, মঙ দাকিনি .... ঐখোয়সিনি। অতৈ ইমান্নবীশিংদি খরা শান্নরম্লগা অদুম লেপখ্রে। ঐখোয় ময়াম শান্নমীন্নরকপদা হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা শান্নহৌরিবসিদি ঐগা মঙ দাকিনিগতা ঙাইহৌরে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মমিংদা শান্নজবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্টনা ইম্ফাল ৱেষ্টনা মশিং খঙদনা গোল চনশিল্লকপদা ইশাদা য়াম্না নুংঙাইখিদবা মতাংসু লৈখি। গোল ১৫/১৬ তী অদুম চনশিল্লকখি। মদুদগীনি ঐঙোন্দা হেন্না কন্না হোৎননিংবগী ৱাখল অমা পোক্লকখিবসিসু। ঐখোয়না শান্নরিবসিদি তশেংনা কোচ নাইরগা কাংলোন চুম্না শান্নবা নত্তবনিনা, ষ্টেট লেবেলগী টুর্নামেন্টতা অদুম পোরগা হল্লকখি। অদুগা শান্নবা হেক হৌরকপদগী ঐদি ষ্ট্রাইকর ওইনা শান্নজরকখি। অসুম্না লেপ্তুনা শান্নজরকপদগী কুমজা ২০০৩দগীদি ঐহাক ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নদা চঙজরকখি। ইষ্টর্নদা হেক চঙলকপদগীদি ঐহাক ষ্টেট কোচ ওজা রতন কবুইগী মখাদা ট্রেনিং তৌবা ফঙজরকখি। ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী প্লেয়র ওইনা শান্নজরকপদগীদি ঐহাক মণিপুর ইলভেন টিমদা য়াওদুনা নেসনল শান্নজবসু ঙমজরকখ্রে। কোচ নাইনা চাং-নাইনা ট্রেনিং তৌবা ফংলকপদগী ইশাদা চেঞ্জ ময়াম অমসু মথং মথং লাকখ্রে। কুমজা ২০০৩সিদগীদি ঐহাক ফুটবোল করম্না শান্নগদগে হায়বসিসু খঙবা হৌরকখ্রে। লোয়ননা ঐগী ইহান হানবা নেসনলসি টামিল নাদুদা চৎচরকখি। কুমজা ২০০৩গী নম্বের ২৮দগীনা দিসেম্বর ১৪ ফাওবা চথখিবা সব জুনিয়র অন্দর-১৭ নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অদুদা ঐখোয় মণিপুর টিমনা ৱিন্নরসু ওইরকখি। মদুদগী হৌরগা ফাইনেল লৌবগী নুংঙাইবা মহাউদুসু খঙবা হৌরকখি। হেক হৌবদগী ঐগী পোজিসন অসিসু ষ্ট্রাইকর নত্রগা রাইট ৱিঙ শান্নজরকখি। নুপী ফুটবোলদি ঐখোয়গী মমাংদা শান্নবিরম্বা সিনিয়র ইচেশিংনসু য়াম্না লিঙনা থন্বীরম্বনিনা ঐখোয়সু খরা কন্না শান্নজগে হায়বগী ৱাখলসিমসু হেক হৌবদগী ফাউজরকখি।

...মথং মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৩

১) মেগা মরাথন পাঙথোকপগী অনীশুবা চহীদা করম্বা ক্লবকী লমজেল্লোয়না নুপাগী ওপনদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবগে?

২) টোকিও ওলিম্পিক্তা ঐহাক্না লমজেল অমদা খ্বাইদগী মমৈদা হায়বদি মতুংদা থুংলখি। অদুবু ঐগী ওলিম্পিক্কী স্পিরিট হায়বদি ওলিম্পিজমগী পুকচেল অদুবু জপান পুম্বনা হৌজিক ফাওবা নীংশিংবিরি। ঐহাক কানো?

৩) কলকতা সহরনা Beighton Cup কীদমক চাওথোকচৈ, মতৌ অসুম্না মুম্বাইনা মসিগা মান্নবা কপ অমগীদমক চাওথোকচৈ। কপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাক ওলিম্পিক অমদা মহাক্না শরুক য়ারিবা থৌরম অমদা অহুমশুবা তাখি। মথংগী ওলিম্পিক্তা মহাকপু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা মহাক্কী লৈবাক অদুগী সরকারনা মতিকচাবা ওজাগী মখাদা মতিক চাবা খুদোংচাবা কয়মুক পীদুনা হোৎনহনখি। মেক্সিকো ওলিম্পিক তৌগদবা থা খজিক্তং ঙাইরবা মতমদা মহাক মশা মতোমতা শীজখি। মরমদি মহাক মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙম্লরোই হায়বা খঙখি। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তগা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নাওরেম প্রিয়াঙ্কাগী পেনাল্টি কিকনা ইন্দিয়াগী য়ু-১৭কী টিম্না রোমানিয়াবু ১-০দা থোইখ্রে

টুরক্লর, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী ননবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা য়ু -১৭ ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী মাংওইনা শেমশাবা ফ্রেন্দলি মেচ অনী রোমানিয়াগী য়ু-১৭কী টিমগা শান্নবগী ঙসি অরোইবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মণিপুর মচা নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা পেনাল্টি কিক অমগী মতেংনা চনখিবা পাঞ্জলনা ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্দিয়া অমসুং রোমানিয়াগী টিম অনীনা অহানবা ওইনা ফ্রেন্দলি শান্নখিবা অদুদা টিম অনীম্মক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চৎখিবনি।

টর্কিগী সিটি টুরক্লরদা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী হৌদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুদা রোমানিয়াগী মায়কৈদা প্রেসর পীদুনা বোল হেন্না পুশিনবা ঙমখি।



ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অনী মাঙজখি। অদুবু মেচতী ২৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমা মিদফিল্ডর নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা অশোয়বা য়াওহন্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাংজিল থাবা ঙমখি।

রোমানিয়াগী শান্নরোয়শিং অহানবা হাফ অদু লোয়শিনবা ফাওবদা ইক্কেলাইজর অদু ফংবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন অদুনা য়াম্না ফজবা মশান্না শান্নবা ঙমখিবদগী রোমানিয়াগী এটেকশিং পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু তাঞ্জা ফংবদা গোল এটেম্প তৌশিনখি।

মেচকী ৫৮শুবা মিনটতা সুমতিনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা রোমানিয়াগী গোলকিপরনা কনবা ঙমখি। মদুতা নত্তনা ৭০শুবা মিনটতা সুনিতানা পীখিবা বোল অমা ষ্ট্রাইকরনা ফংবা ঙমহৌদবনি। ফ্রেন্দলি মেচ অদু ইন্দিয়ানা অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা ১-০দা থোইখি।

# ৭শুবা গেম দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়াগী ভিদিথ গুজরাথিনা মাংজিল থারি



প্রাগ, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস):
জেগ রিপব্লিক্কী কোনুং প্রাগতা চথরিবা প্রাগ চেছ ফেষ্টিবলগী মাষ্টর্স কেটিগোরিদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভিদিথ গুজরাথিনা ৭শুবা রাউন্দ দ্রো চৎখ্রবা মতুং পোইন্ট ৫ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদগী হেন্দুনা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

মশাগী চহী ২৫দা ঙাইরিবা ইন্দিয়গী শান্নরোয় অদুনা ৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পেন্তালা হরিকৃষ্ণগা শান্নবদা মুভ ৩১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নরগা পুন্না ৫ ফংদুনা মাংজিল থাবা ঙমখি। হরিকৃষ্ণনা রাউন্দ ৭তা পোইন্ট ৩খক ফংলগা ফজবা ঙল্লি।

পনবা য়াই, ৬শুবা রাউন্দদা রসিয়াগী নিকিতা ভিতুইগোবকা শান্নবদা দ্রো চৎখিবনি। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী নম্বর টু শান্নরোয় ওইরিবা ভিদিথ গুজরাথিনা লন্দন ওপনিং তৌখি। গেম অদু মখাতারকপদা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর নিকিতা অমসুং ইন্দিয়াগী ভিদিথকী মায়কৈদগী মায়পাকপা য়াবা খোঙচৎ অমত্তা উনরক্তবদগী খোংচৎ ৩৯শুরকপদা দ্রো চৎপদা য়ান্নদুনা পোইন্ট য়েন্নখিবনি।

পোলেন্দগী শান্নরোয় জান খৃষ্টোপ দুদানা স্বিদেনগী শান্নরোয় নিলস গ্রান্দেলুগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা ভিদিথ গুজরাথিগী মতুংদা অনীশুবদা লৈরি।

# ইন্দিয়ানা এ এফ সি ৱুমেন্স এসিয়ন কপ ২০২২গী য়ুম্বু ওইরগনি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস):
কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদবা এসিয়াগী নুপী ফুটবোলদা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সি ৱুমেন্স এসিয়ন কপ ২০২২গী য়ুম্বু ওইরগনি হায়না এ এফ সি ৱুমেন্স ফুটবোল কম্মিতিগী ঙসি মলেসিয়াগী কোনুং কোলা লুম্পুরদা লৌখিবা ৱারেপ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইননবা ইন্দিয়া য়াওনা চাইনিজ টাইপৈ অমসুং উজবেকিস্তাননা বিদ্দিং তৌরকখিবনি। অদুবু কম্মিতিনা অদুনা লেপ্পখিবদা লৈবাক অহুমগী মনুংদা ইন্দিয়া খ্বায়দগী মতিক চাবা ওই হায়না ৱারেপ লৌনখিবনি।

কম্মিতি অসিগী চেয়রপর্সন মহফুজা অখটর কিরোননা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৬তা এ এফ সি য়ু-১৬ মায়পাক্ল া য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা, কুমজা ২০১৭দা ফিফা য়ু-১৭ ৱর্ল্ড কপ মপুংফানা য়ুম্বু ওইখিবা অমসুং চহী অসিগী নবেম্বর থাদসু ফিফা ৱুমেন্স য়ু -১৭ য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা নুপীগী ফুটবোল হেন্না ফগৎহনবা ঙমগনি হায়খি।

# গোৱানা জমসেদপুর থোইদুনা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে

Match on 20 Feb. (Thu) 2020
NE UNITED Vs HYDERABAD FC



জমসেদপুর, ফেব্রুৱারী ১৯(এজেন্সী):
এফ সী গোৱানা ঙসি টিম অদুগী অরোইবা লীগ মেচতা জমসেদপুর এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০দা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখিবগা লোয়ননা লীগকী খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা মথং সিজনগী এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ইন্দিয়াগী অহানবা ক্লব ওইরে।

ঝরখন্দগী সিটি জমসেদপুর লৈবা জে আর দি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেচ অদু টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংলিবা এফ সী গোৱানা শুপ্নগী পোইন্ট অমখক ফংলগা এসিয়ন চেম্পিয়ন লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইবগী খুদোংচাবা অদু লৈরবনিনা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা য়াম্না ফ্রি ওইনা শান্নবা ঙমখি।

১১শুবা মিনটতা ঐচ বোমোসনা পীরকপা বোল অমদা কোরোমিনাসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। জমসেদপুর এফ সীগী শান্নরোয়শিং অহানবা হাফ অদুগী লোইশিনবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু এফ সী গোৱাগী দিফেন্স লাইন অদু লানশিনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। এফ সী গোৱাগী দোংগেলনা পীবা পাস অমদা বোমোসনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ১৪ রোম লৈরগা এফ সী গোৱাগী এটেক অদু জমসেদপুরনা লম্বা পীবদা অৱাবা অমা ওইরকখি। ৮৪শুবা মিনটতা বোমোসনা পীখিবা পাস অমদা মণিপুর মচা টেলেম জেকিচান্দনা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চনখি।

ইকুই কুইদনা এফ সী গোৱাগী ইদুবেদিয়ানা পীখিবা বোল অমদা টিমমেট মারটাদা ফোলনা টিমগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং অপীবা মেচকী অরোইবা মিনটতা মখা তাবা এটেক অমদা এফ সী গোৱাগী এম দেসাইনা পীরকপা বোল অমদা ঐচ বোমোসনা ৫শুবা পাঞ্জল চন্নগা জমসেদপুর এফ সীবু য়াম্না চাওনা হেন্দুনা মায়থীবা পীখি।

গোৱানা লীগ অসিগী মকোক ওইবগীদমক লীগ ৱিন্নরগী সিল্ড অদু ফংলগনি। লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লাখ ৫০ ফংগদৌরি। জমসেদপুর ৮শুবা পোজিসনদা লৈরি।

# বেঙ্গালুরু এফ সি মালদিপ্সকী ক্লব মাজিয়া এফ সিগী মখুত্তা পাঞ্জল ১-২দা অহানবা লেগ মায়থীখ্রে

মালে, ফেব্রুৱারী ১৯ (এজেন্সী):
এ এফ সি কপ প্লে ওফকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সি মালদিপ্সকী ক্লব মাজিয়া এস এন্দ আর সিনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে।

মালদিপ্সকী সিটি মালেগাদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেত অদু হৌরকপদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঙ্গল মান্না শান্নদুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। ইন্দিয়াগী বেঙ্গালুরু এফ সিগী টিম অসি য়াম্না চোকখরবা টিম অমগুম্না মীয়াম্না উন্নখি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগকী মমাং চহীগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সি হৌজিক হৌজিক ৩শুবা পোজিসন্দা লৈদুনা মকোক ওইবা ঙম্লোইদৌরি। পন য়াই, আই এস এলগী মকোক ওইবা টিম অদুনা মথং চহীগী এ এফ সি চেম্পিয়ন্স লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

ঙসি প্লে ওফকী অহানবা লেগকী অহানবা হাফ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা বোল পায়বগী চাং হেনগৎতুনা এটেক হেল্লকখি।

শান্নবগী মিনট ৬৪ শুরকপদা মাজিয়া এফ সিগী মায়কৈদগী ইব্রাহিম মহুধিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেঙ্গালুরু এফ সিবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল শোত্থরবা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নবা হৌরকখি।

মখোয়না পামখিবা ইক্কেলাইজর অদু মেচকী ৭১শুবা মিনটতা মখোয়না চথখিবা এটেক অমদগী ফংখিবা পেনাল্টিদগী ওইবা ঙমখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী নিলি পর্দোমোনা চন্দুনা স্কোর বোর্দতা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১দা মান্নদুনা লৈখি।

নীংশিংবা য়াই, প্লে ওফ অলিগী অনীশুবা রাউন্দদা বেঙ্গালুরু এফ সিনা ভুটানগী ক্লব পারো এফ সিবু এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৯-১দা থোইরম্বনি। অমরোমদা মজিয়া এফ সিনা বংলাদেশকী ক্লব অভাহানি লিমিটেদ ধাকাবু এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ২-২দা লৈখ্রবসু এৱে গোলদা মাজিয়ানা মায়পাক্লগা লাকখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী ৮০শুবা মিনটতা মজিয়াগী কোর্নেলস ষ্টিৱার্থনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-১দা হেল্লদা বেঙ্গালুরু এফ সিবু থোইখি। অনীশুবা লেগ থাসিগী ২৬তা বেঙ্গলুরু এফসিনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরগনি। গ্রুপ ষ্টেজদা ক্বালিফাই ওইননবা বেঙ্গালুরুনা ২ হেল্লগা থোইবা তারি।

১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# দল্লীয়ু ৱাই এফ সী অমদি য়ু বি এফ সী দ্রো চৎখ্রে সেমিফাইনেলগী লাইন অপসু খঙবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯(ঐচএনএস):
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লেগ্রাউন্দা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৩শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দল্লীয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং অমসুং য়ু বি এফ সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অহানবা সেমিফাইনেল মেচতা অমোফা মোইরাং অমসুং পি ৱাই এ লম্বা তৌনরগনি। অনীশুবা সেমিফাইনেল মেচতা এম পি এস সী অমসুং এফ সী লমজাও লম্বা তৌরনগনি।



ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দল্লীয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং অমসুং য়ু বি এফ সী লম্বা তৌনখি। টিম অনীম্না অহানবা হাফতা লম্বা মান্ননা শান্নখি। পাঞ্জল চন্নবা চথনরকখিবা এটেকশিং অরেম্বা তানখি। অহানবা হাফকী অরোইবা মতম ফাওবদা টিম অনীক্না পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা স্কোর বোর্দতা ০-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা য়ু বি এস সীগী শান্নরোয় লেনচিলো জর্সি নম্বর ৭না টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্ট হাংবা ঙমখি। মদুগী মতুং শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা দল্লীয়ু ৱাই এফ সীগী মায়কৈদগী এল থোইবা জর্সি নম্বর ৩না ইক্কেলাইজর চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অনীশুবা হাফকী মখা তাবা মতমদা অহেনবা পাঞ্জল লৈতবনা মেচ অসি ১-১দা দ্রো চৎখি।

# চর্চিল ব্রদর্সনা রিয়েল কাশ্মিরবু ২-১দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা থাক্তা হায়গৎখ্রে

Hero I-LEAGUE
Match on 21 Feb (Friday)
NEROCA Vs KERALA FC



মারগাও, ফেব্রুৱারী ১৯(এজেন্সী):
হিরো আই লীগকী ঙসি গোৱাদা লৈবা মারগাওগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা চর্চিল ব্রদর্সনা রিয়েল কাশ্মিরবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ১৯ ফংলগা ৩শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী মাংওইননা চর্চিল ব্রদর্স মেচ ১০ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা রিয়েল কাশ্মিরগী টিম মেচ ১০ শান্নবদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈখি।

পোইন্ট টেবল অসিগী ওইনা মোহন বগাননা মেচ ১২ শান্নবদা ৯ মায় পাক্লগা দ্রো ২ চৎলবা মতুং পুন্না পোইন্ট ২৯ ফংলগা অতোপ্পা টিমশিংনা তানখৎলকপা ঙম্লোইদবা ফিভমদা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

অনীশুবা থাক্তা মিনরভা পঞ্জাবনা মেচ ১৩দা পোইন্ট ২১ ফংলগা লৈরি। ঙসিগী মেচ অসিগী মতুংদা গোকুলম কেরলা এফ সী মেচ ১১দা পোইন্ট ১৭ ফংলগা ৪শুবদা লোয়ননা মণিপুরগী ক্লব ট্রাও এফ সী মেচ ১৩দা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৫শুবা থাক্তা লৈরি।

ঙসিগী মেচ অদু হৌরকপদা চর্চিল ব্রদর্সনা পাঙ্গল লৈনা শান্নবা ঙমখি। মখোয়না চথখিবা এটেক অমদা মেচকী ১৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ৱিলিস প্লাজানা অশোইবা য়াওহন্দনা কনভর্ট তৌদুনা ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

হোম গ্রাউন্দ ওইবগী অহেনবা খুদোংচাবা লৌবগা লোয়ননা চর্চিল ব্রদর্সকী এটেক মখা তারকখি। অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ৱিলিস প্লাজানা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না ফজনা ইস্থোরকখিবদা টিমমেচট লালখো পুইমাৱি পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা রিয়েল কাশ্মিরবু পাঞ্জল ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ৮২শুবা মিনটতা রিয়েল কাশ্মিরগী রোবিন সিংহনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু লোইশিনখি।